# অমেরিকাগী স্কুলশিংদা তা লংবদা অথিংবা থন্বা

—লৈশাংথেম অজিৎ—

তা লংবগী অথোয়-অহেন তান্নবদা অমদি তা লংবগী প্রেক্টিশ তৌবদা তানা থিন্দুনা অশোক-অপন কয়ামুক থোকপখক্তা নত্তনা শিখিবা মীওই কয়ামুক য়াওখ্রে। মরম অদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী ষ্টেটশিংদা হায় স্কুলশিংগী এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপা মতমদা তা লংবগী থৌরম য়াওহন্দে। মালেমগী থাক্তা শান্ন-খোৎনবদা মরুওইনা এথলেটিক্সতা খুমাঙ চাউশিল্লিবা লৈবাক অসিদা স্কুলশিংগী ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংদা তা লংবদা অথিংবা থন্বা অসি ঐখোয়না ঙক্না থোকই। লৈবাক অসিগী কালিফোর্নিয়া ষ্টেটতা কুমজা ১৯১৯গী মতমদগী অথিংবা অসি থমখ্রে হায়না রেকোর্দ লৈ। ষ্টেট অসিদা তা লংবদা শানবা তান্নহনবগী মহুত্তা হেন্দ গ্রেনেদ (শীজিন্নবা য়াদ্রবা) লংবদা শানবা তান্নহল্লি। পোষ্ট এন্দ কোরিয়ার কৌবা কম্পেনি অমনা ফোঙদোকপদা সাউথ কেরোলিনাদা কুমজা ১৯৫৬তগী তা লংবগী অথিংবা অসি থমখি।

ফ্লোরিদা স্কুলশিংদা অথিংবা অসি কুমজা ১৯৫০দগী থমখ্রে। তা লংবদা অথিংবা থন্বা অসিদা কারে ঝিঙ্গর কৌবা ওলেম্পিক অনীদা শরুক য়ারুরবা কোলোরাদা ষ্টেটকী এথলেট অমনা হীরম অসিদা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি মদুদি মহাক ঝাশিংটন্দা চাউরকপা মরম্না মহাক মরাইবক ফবা হায়বা অদু ওইখি অদুবু মহাক্কী পোকফম ওইরিবা কোলোরাদোগী অঙাংশিং তা লংবগী অথিংবা থন্বা অসি ইকায়নীংঙাই ওই।

অসিগুম্বা এথলেটিক্সকী মরু ওইবা থৌরম অমা ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংদা শরুক য়াহন্দবা অসিগী ফত্তবা ফলসু লৈ। তা লংবদা শরুক য়াদুনা হীরম অসিদা মালেমগী থাক্তা মিংচৎ থম্লীংবা অঙাংশিং অমদি মমা মপাশিংগীদি নীংবা কায়বা অমা ওইরি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা, য়ু এস এ হায়না অশন্বীদা খঙনবা লৈবাক অসিবু ঐখোয়না অশন্বীদা ষ্টেটস হায়না খঙনরি। মরমদি মসি ষ্টেটস কয়ামুক পুনশিন্নরগা শেন্বা লৈবাক অমনি। ষ্টেটস ৫০না পুনশিল্লগা শেন্বা ওইবনা ষ্টেটশিং অসিগী মশাগী তোঙানবা আইন চৎনবী খরসু লৈজে। অদুবু লৈবাক অসিগী ওইনদি নেসনল ফাউন্দেসন ওফ হায় স্কুল এসোসিএসন্না মপূনি। লূপ অসিনা অমেরিকাগী স্কুলশিংগী শান্ন-খোৎনবগী চৎন-কাঙলোন শেম্মী, কাঙলোন অসিবু চৎনহনবসু লূপ অসিনি। অমেরিকাগী স্কুলশিংদা এথলেটিক্সকী অথোয় অহেন তান্নহনবগী অশিন অরাং তৌবা মখোয়গী মথৌনি, মখোয়গী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদা তা লংবা থিংই।

হৌজিক্কী মতমদা অথিংবা অসি লৌথোকহন্নীংবা ষ্টেট খরনা মশা মশাগী ওইনা হোৎনরকপদগী চৎনবী অসি কোমথোরক্লে অমদি মতমগী মতুং ইন্না ষ্টেট খরদা স্কুলগী অঙাংশিংদা তা লংবগী অয়াবা পীবা হৌখ্রে। মরম অদুনা চৎলিবা চহী কুমজা ২০১৮গী মার্চ ৬তা এরিকোনা ষ্টেটসকী ফোনিক্স দির্জেভিসতা কৌবা স্কুলদা তা লংবা য়াদবগী অথিংবা লৌথোকখ্রে। অকক্লবা পাউ খঙবা ঙমদ্রবসু এরিকোনা ষ্টেটকা থারগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী লৈবাক ২০দি স্কুলগী থাক্তা তা লংবা য়াহনবগী অয়াবা অদু লৈহনখ্রে। তৌইগুম্বসুং অঙাংশিংনা তা লংদা অশোক অপন থোক্তনবা পোলেয়থেলেন নৎত্রগা প্লাষ্টিক্না শাবা TUBO JAV হায়না খঙনবা অশোক অপন থোক্লোইদবা শান্নপোৎ মানবা তা অমা লৈবাক অসিগী তা লংবদা মালেমগী রেকোর্দ অনীরক থুগাইখিবা টোম পেত্রানিফনা পুথোক্তুনা শীজিন্নরে। অমেরিকাগী অতৈ ষ্টেটশিংদসু চহী ১৭ মখাগী নুপীমচা, নুপামচাশিংদা তা লংবগী অয়াবা অসি পীরক্লবা য়াম্না চেকশিনবা ইনভাইরোনমেন্ট অমা শান্নফমদা লৈহনগদবনি হায়বা অসি মপূক্লিংদা খঙনরে। অসিগুম্বা অথিংবা অসিনা তুংগী আশা লৈবা শান্নরোয়শিংদা অকায়বা কয়মুক লৈহল্লি হায়বা লৈবাক মীয়াম্না থাজনরি।

তা লংবখক্তা নত্তনা হেম্মর লংবদা, নূং হুনবদা অমসুং দিস্কস লংবদা মীওই কয়ামুক্কী মপুন্সি খূৎলায় হায়বদি শান্নপোৎশিং অসিনা পানবদগী থঝায় মাঙখ্রে। চহী ৭৭শুরবা পাল সুজিকি য়ু এসকী এথলেটিক্স জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ্তা নূং লংবগী রেফ্রি ওইরম্মী। কম্পিটিসন অদু হৌরমদাইদা মহাক্না অতোপ্পা জজ অমদা ঝা অমা তান্ননবা চঙশিল্লিঙৈদা পেট ঝাহেন কৌবা এথলেট অমনা অথোয় অহেন তান্নবা অদু হৌদ্রিঙৈদা প্রেক্টিশ তৌবদা মহাক্না লংলকপা নূং অদুনা সুজিকিগী মকোক্তা পান্দুনা খুদক্তা শিখি। রেফ্রি অদুনা লৈরিবা মফম অদু নূং লংফমদগী ফুট ৫০ হেন্না থাপ্পা মফম ওইবনা মহাক্না য়ৌবা ঙম্মোয়দবা মফমনি হায়না খন্দুনা লংখিবনি হায়রি। থৌদোক অসি কুমজা ১৯৮৬তা থোকখিবনি। চহী অদুমক্তদা বেকরসফিল্ড কালিফোর্নিয়া কোলেজগী এথলেটিক্স মীট অমা পাঙথোকখিবদা চেম্পিয়নশিপ অদুগী রিপোর্ট লৌবা লাকপা চহী ৪৩শুরবা ফিল ক্লসমেন হেম্মরনা মকোক্তা থোমদুনা লৈখিদে। পাউমী অদুনা হেম্মর লংফমদগী ফুট ১৫০ লাপ্না নাকলদা চৎলম্মী। মহাক্না মঙোন্দা হেম্মর লংশিল্লকপা অদু উহৌদে। মদুদা কোচ অমনা মহাকপু হেম্মর অদুনা পান্দনবা চৎথোক্লবা লাউবদা মহাক্না পায়রিবা ক্লিপ বোর্দ অদুনা মকোক অদু ঙাকথোক্লবা থন্নগা নোনথরকপদা হেম্মর অদুনা ক্লিব বোর্দকী মপান অদু থুগাইরগা মকোক্তা পাল্লবা মতুং মিনিট ৩০ লৈরগা শিখি। অতোপ্পা অমদনা ক্রেগ কেলফোর্দ কৌবা চহী ১৬ শুরবা পালোস ভরদেশ পেনিনজুলা হায় স্কুলগী মহৈরোয় অমা স্পোর্টস মীট অমদা ঝার্মিং অপ তৌবগী লংদুনা শান্নবদা ফুট ৭০ লাপ্না লৈবা অতোপ্পা শান্নরোয় অমনা কেজি ২ মখায় লুম্বা দিস্কস লংলকপদা লুখমদা থাবদগী পুং ২০গী মতুংদা হোস্পিটালদা লৈখিদে।

স্কুলদা, কোলেজদা, লৈকায়দা অমসুং খুঙ্গংদা শান্ন-খোৎনবগী প্রেক্টিশ তৌবদা অমদি অথোয় অহেন তান্নবা মতমদা তানা শোক্তুনা মীওই কয়ামুক শিখ্রে হায়বা ঐখোয়না রেকোর্দ কয়াদগী কুমজা, তারিখকা লোয়ননা খঙবা ঙল্লে। ইন্দিয়াদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি য়াম্না তোয়না থোক্তবা নত্তে। মসিগী মনুংদা পঞ্জাবকী মোগা টাউন্দগী কিলোমিটর ২১ রোম লাপ্না লৈবা তালঝাদি মাল্লেয়ন খুঙ্গংদা লৈবা লৈঙাক্কী হায় স্কুল অমদা স্কুল অদুগী মহৈরোয়শিংনা ফুটবোল শান্নরিঙৈদা ফুটবোল অদু থংননা লৈবা গ্রাউন্দ, শান্নফম অমদা চঙখিদুনা ক্লাস নাইন্দা তন্নিবা হীর সিংহ কৌবা শান্নরোয় অমা বোল অদু খুনবা চঙখিবদা থংনরিবা লম্পাক অদুদা মহৈরোয় খরনা তা লংদুনা শান্নরম্বদগী মহাক্কী মথবাক্তা তানা থিন্দুনা খুদক্তা শিখি।

অতোপ্পা মফম অমদনা সাউথ দেল্লিগী চিত্তরঞ্জন পার্কতা সেনিয়র হায়র সেকেন্দরি অমদা লঞ্চকী হাফ থাবা মতমদা রোসন লামা কৌবা চহী ১১শুরবা ক্লাস সিক্স তন্নিবা মহৈরোয় অমা মহাক্কী ক্লাস য়াওনবা লাকপদা মহৈরোয়শিংগী মরক্তগী অমনা তা লংলকপদা মহাক্কী মমাঙদা চৎলিবা মহৈরোয় অমগী মপা চানা তা অদু পায়রকপদা মহাক্না মহাক্কী মরুপ অদুবু ইন্থোক্লবা চোঙখৎলকপদা তা অদুনা মহাক্কী মকোক্কী য়েৎ থেংবা নাকন্দা পানখি। মহাক্কী মরুপ দিপক্না মমায় লৈথোরকপদা রোসন লামাগী মকোক্কী য়েৎথংবা নাকন্দা তা অদুনা থিনবা উবদা কিদুনা লাউরকখি। মফম অদু ঈনা পুঙাং ঙাংলম্মী। নুংথিল পুং ৪ তাবা মতম ওক্টোবর ১দা থোকখিবা থৌদোক অদুদা স্কুল অদুগী প্রিন্সিপাল, ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিং অকি তুজুংবা ফাওখি, নুংঙাইতবা মায়থোং উখি অমদি তানা মকোক্তা ইঞ্চি অনী থুম্না চঙখিবা মহৈরোয় অশোকপা অদু হোস্পিটালদা লৈখিদে। স্কুলগী ফিজিকেলগী ওজা অদু খুদক্তা থবক্তগী থদৎখি। দ্রাইভরগী শিনফম ওইরিবা মহৈরোয় অদুগী মপানা কোর্টতা স্কুল অদুগী সেনিয়র মহৈরোয়শিংনা অঙাং মচা ময়াম অমা লঞ্চকী মতমদা লম্পাক্তা কোয়চৎ চৎতুনা লৈরিঙৈদা করম্না তা লংদুনা শান্নহল্লিবনো হায়বা অসিনা মরম ওইরগা ঝাকৎ থাঙ্গৎখি। মদুদা পুলিসনা ইন্দিয়ন পেনাল কোর্টকী সেক্সন ৩০৪ এ অমসুং সেক্সন ৩৩৭কী মখাদা সী আর পার্কতা লৈবা পুলিস ষ্টেসন্দা ফার্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট (এফ আই আর) তৌবদগী স্কুল অদুগী ওজা অনী অমদি তা লংখিবা ক্লাস ১২শুবদা তন্নিবা মহৈরোয় অদু ফাদুনা মহাক্কী মথক্তা ঝায়েলনবগী থবক চংখি।

অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্তনবা মহৈরোয়শিংদা মরুওইনা এথলেটিক্সতা শরুক য়ারিবা অঙাংশিং অমদি কোচ, ইন্সত্রক্টর অমসুং ওজাশিংদা অখঙ অহৈশিংনা মখোয়না করম্না শান্ন-খোৎনবদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী পাড়াশিং হান্না তাকপী তম্বীগদবনি।

# হোংলকখিবা ঝাখল্লোন

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-






অহোংবা হায়বসি অদুম লাকই, লাক্তবসু য়াওই। অহোংবা য়াওদনা চাওখৎপা য়ারোই। অদুবু অহোংবা খুদিংমক্না চাওখৎপা পুরক্কনি হায়বদি লানগনি। অহোংবা খরা অমনা ঐখোয়বু নমশিন্দুনা থমগনি মাঙদা পুশিনবগী মহুত্তা অদুগা অহোংবা খরা অমনা ঐখোয়বু অফবা, চাওখৎপা লম্বীদা পুশিন্দুনা মীওই অমা ওইনা, খুন্নাই অমা ওইনা মাঙদা চঙশিনবদা য়াম্না মতেং ওই।

মীওই অমনা, খুন্নাই অমনা কয়াম থুনা, কয়াম ঝাংনা মায় পাকপগে অমদি অফবা লম্বীদা চঙশিন্দুনা চাওখৎপগে হায়বসি খুন্নাই অদুগী মীওই খুদিংমক্না নৎত্রগা অয়াম্বনা খন্নরিবা ঝাখল্লোন অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। খুন্নাই অদুগী মীওইশিংনা অচুম্বা, অফবা, মীয়ামগী ওইবা ঝাখল্লোন থমদুনা থবক কন্না শূদুনা হোৎনরবদি মীওইশিং অদু পুন্সিদা মায় পাক্তুনা, লমদম অদু চাওখৎলিবনি। অদুদি নত্তনা অরানবা, চুমদবা অমদি অশোনবা ঝাখল্লোন্না য়ূম্ফম ওইদুনা লৈরবদি কৈদৌনুংদা চাওখৎপা য়ারোই।

মসিগী খুদমদি চাওখৎলবা লৈবাক কয়ানা উৎলিবা অসিনি। খুদম ওইনা হায়রবদা, হিরোসিমা অমদি নাগাসকি এটোম বোম থাদবা অদুক্কী মতিক শোন্থরুরে জাপানসি। অদুনা করম্না অসুক্কী মতিক থুনা অমুক হিংগৎতুনা চাওখৎপদা মালেমগী মমাঙ থাদুনা চৎলিবা। লোয়না তুম্না মুৎকে তৌরম্লবা জিয়ুসশিংনা করম্না ইজরেল লৈবাক শেমগৎতুনা ঙসি মালেমগী মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাক অমা ওইরিবা। পীকখ্রবা ঈথৎ মচা অমা ওইরিবা সিঙ্গাপুরনা করম্না অসুক্কী মতিক চাওখৎলিবা। অতোপ্পা লৈবাক ময়াম অমসু লৈরি। মখোয়না চাওখৎপগী মরুওইবা মরমদি মখোয়গী ঝাখল্লোন অমদি মশানা মশাগী অমদি মরমদমগী চাউথোকচবা ফাওজবগী ঝাখল্লোন লৈবা অদুননি।

মীখা পোনবগী ঝাখল্লোন, ঙল্লোই হায়বগী ঝাখল্লোন অমদি নীদুনা হিংবগী ঝাখল্লোন কোক্তা চুদুনা লৈরবদি ঐখোয়বু মাঙদা চঙশিনবগী অমদি চাওখৎপগী লম্বীদা পুশিনবা ঙল্লোই। করিগী ঐখোয় মণিপুরী খুন্নাইনা অসুক কুইনা চাওখৎপা ঙমদ্রিবনো হায়বগী অহানবা পাউখুমদি - ঐখোয়গী ঝাখল্লোন লন্না খনবননি। অদুগা অচুম্বা, অরানবা, অফবা, ফত্তবা হায়বা ঝাখল্লোনসি মপানগী ওইবা শাফুনা অয়াম্বা ওইগল্লি, মরু ওইনা মীচম মীয়ামগী ওইনা। মশাগী অফবা ফত্তবা খঙদুনা, মমুৎ তানা উবা ঙম্বদি মীওই খরতনি। মীওই খরা অসিনা মীচম মীয়াম্বু অচুম্বা, অফবা নৎত্রগা ফত্তবা, অরানবা লম্বীদা হেক হেক লমজিংই হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না পুঝারী কয়াদগী অমদি মীওই কয়াগী পুন্সিদগী উবা, খঙবা ঙম্মী।

ঐখোয়গী কংলৈপাক খুন্নাইনা চহী চা কয়া চাওখৎপা ঙমদনা লাক্লিবসিগী মরুওইবা মরম কয়া অমা লৈরি।

মীখা পোনবগী ঝাখল্লোন, ইশাবু হন্থনা খনবগী ঝাখল্লোন, অতোপ্পগী লাইনীং-লাইশোন, নাৎ, লোল অমদি হৌন-লোনচৎ, চাকচা-য়ুথক্না ঐখোয়দগী হেন্না চাওখৎলি হায়না খনবগী ঝাখল্লোন অসিনা ঐখোয়গী মণিপুরী খুন্নাইনা ঙসি ফাওবদা চাওখৎপা ঙমদ্রিবনি। করম্নবু চাওখৎকদৌরিবনো ঐখোয় অয়াম্বগী ঝাখলনা অতোপ্পগী মতুং সুম ইন্দুনা লৈরগবু। ঐখোয়গী খুন্নাইসি মতম অমদা মনীং মখা তম্না হিংলম্মী মতম, চহী খরগী মমাঙদা। হোই চহী খরা বর্ম্মিজগী মীখা পোল্লবসু য়াম্না শাংনদি মীখা পোনখিবা নত্তে। অদুবু চহী ৩০০ মুক ঐখোয়না হিন্দুইজমগী শাফুদা লাকপনা ঐখোয়গী ঝাখল্লোনসু অদুক্কী মতিক হোংদুনা লাকখি। অসিগুম্বা ঝাখল্লোন অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী ফজখ্রবা, মহৌশানা পীবিরল্লবা ফজখ্রবা চীং, তম, পাৎ, তুরেল, মনা-মশিং, উঁহে-ঝাহৈ, শা-উচেক কয়া অমা লৈদুনা ইপা ইপুশিংনা 'লাইরৈপাক' হায়না কৌবিরম্মী। অদুবু কনানা মদুবু তম্বীরিবগে। মদুগী মহুত্তা হুন্দুনা ঙাঙনবিরি নিংথৌ পামহৈবনা চহী ৩০০ মুক্কী মমাঙদা হিন্দু লাইনীংনা, সংস্কৃত, হিন্দি অমদি দেভাঙ্গিরি লোন্না অমদি ময়াংশিংগী লমদমশিং অমদি পোৎলমশিংনা ইরমদমগী লাইনীংদগী অমদি পোৎলমশিংদগী হেল্লি হায়না লৌখিবা ফিরেপ অদুগুম।

"চহী ৩০০ মুকসিগী মাঙদা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা খন্নরম্বা, মশাগীদমক, মরমদমগীদমক অদুক্কী মতিক চাউথোকচবা অমদি থৌনা ফনা লৈরম্বা পুন্সি মহিং হিন্দুইজমগী মখাদা লৈরকপদগী অদুম মাঙবা হৌরক্লে। হিন্দু লাইনীংনা হেল্লি হায়দুনা হিন্দু লাইনীং লৌখিবদগী থৌনা ফনা, মকোক নোন্দনা হিংলম্বা ঐখোয়গী খুন্নাই নিংথৌ পামহৈবনা হিন্দুইজম লৌদুনা শান্তিদাসপু মহাক্কী গুরুনি হায়না লৌদুনা কোক নোনখিবা নুমিৎতুদগী অদুম হৌখ্রে ঐখোয়গী খুন্নাই মীখা পোন্না হিংলকখিবা মনাইগুম। অসুম্না লাকপনা হান্না থৌনা ফনা লাম্থেংনরম্বা ঐখোয়গী খুন্নাই অতোপ্পগী লান থেংনবা নিংথিনা ঙল্লক্তবা, মপূ ওইবগী ঝাখল্লোন লৈবগী মহুত্তা মনাই ওইবগী ঝাখল্লোন লৈখিবনা ঐখোয়গী খুন্নাই মনুংদা চঙশিনবা ঙল্লক্তবনি। অসুম্না অসুম লাকখিবদা অমুক্না কুমজা ১৯৪৯দা ইন্দিয়াদা তিনখিবদগীদি মীখা পোনবগী, মশানা মশাবু হন্থনা য়েংবগী, নীদুনা হিংবগী অমদি মনাই ওইবগী ঝাখল্লোন অসি খঙহেন হেনজিন্না লাকপনা ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইনা মাঙদা চঙশিনবা ঙমদবনি হায়বদা য়েৎননীংঙাই লৈরিব্রা। ঐখোয়গী ঝাখল্লোন অদুক্কী মতিক হোংখ্রে। ইন্দিয়ন লৈঙাক্কী হেক মখাদা লাকখিবদগী ঐখোয় মপূ ওইবগী ঝাখল্লোন পুম্নাং মাঙখ্রে, মনাই ওইবগী ঝাখল্লোন্না লমজিংদুনা লাক্লি, ঙসিসু হিংলি অসুম্না।

ইন্দিয়াগী চাওখৎপগী, মাঙদা চঙশিনবগী ঝারী হায়রগদি ময়াম্না হেন্না খঙবীরম্বসু য়াই। ঐখোয়দগী হেন্না ফৈ হায়না খঞ্জরিবা, ঐখোয়গী মপূনি কায়না খঞ্জরিবা ইন্দিয়ানা করম্বা খোঙথাংদা, করম্বা মায়কৈদা চৎলক্লি অমদি চৎলিবগে হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না তারবা, উরবা ঙাক্তনি হায়না থমজগে। অসুম্না অসুক্কী মতিক মঙম পাংদনা চৎলিবগী মরম য়াম্না লৈখ্রে। মরম খরা অসুম্না থন্বা য়াই। হিন্দুইজমগী শোক্ন-খোৎনা য়াদবা, অমগা অমগগী মরক্তা অনেম অঝাং, অশেং অমাং থন্বা, শেঙ্গা থুমজাগী হৈনবী, দাওরি সিষ্টেম, মশাগীতা খনবগী হৈনবী অতোপ্পগী অমদি মরৈবাক্কী খনবা ঙমদবা ঝাখল্লোন, লৈতি লৈতনা নাপল অমদি অচাওরম কাবা অমদি চাউজনীংবগী চৎনবী অসিনচিংবা। পোলিটিকেল্লি য়েংলুরগনা দেমোক্রেসিনিদি হায়রগা দেমোক্রেসিগী চৎনবিদি চৎতবা, সেক্যুলরিজমনি হায়রগা সেক্যুলরিজমদি ওইদবা, পার্টিগীনা চাওখৎপনা লৈপাক্কী চাওখৎপদগী হেন্না মরু ওইনা খন্নবগী হৈনবী অসিনচিংবা। হীরমশিং খরা অসিদা অদুম য়েংবদা ঐখোয়না অদুম ইরায় লায়না উবা অমদি খঙবা ঙম্মী করিগী ইন্দিয়ানা চাওখৎপা ঙমদ্রিবনো হায়বদো। দেমোক্রেসি চাউনা লৈবা লৈপাক অমনি হায়না মখৌ পোংনা লাউরিবা ইন্দিয়ানা অসুক্কী মতিক শোন্থনা অমদি চাওখত্তনা লৈরিবসি পঞ্জরিবা মরমশিং অসিননি হায়না থমজগে। হিন্দুইজম চৎত্রিঙৈগী মতমদদি অসিগুম্বা চৎনবীসি লৈরমদবনা চীংমী তম্মী নুংশিননা অনেম অঝাং, অশেং অমাং নাইদনা মচিন মনাও ওইনা হিংমিন্নরম্বদো ঐখোয়না হিন্দুইজম চৎতুনা মাঙই, শেংই, ঝাংই-নেম্মী হায়বগী ঝাফমদগী অদুম লাপথোক্লখ্রে। পূন্নবু হিংমিন্নবা ঙমদ্রবদি করম্না চাওখৎপা ঙমগদৌরিবনো।

থবক ইনখাংদা হায়রগসু করম্নবু চাওখৎপা ঙমগদৌরিবনো। মতিক চাবা মীওইদুনা থবক ফংদ্রে, মতিক চাদবা মীওইদুনা শেল পীদুনা থবক তৌরে, শেল পীদ্রবদি থবকসু মথৌনি খন্না তৌনদ্রে। করম্না থবক লোইশিনবা ঙমগদৌরিবা। থবক্তি মথৌ খঙনা তৌনদে অদুগা শেল চাবদি মথৌনি খন্না চান্নরি। অসিগুম্বা চৎনবীসিবু ঐখোয়গী খুন্নাইদা হান্না লৈরম্বরনে। খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি লৈ হায়না নাপল কারি, চাউথোকচরি অদুগা দেমোক্রেসিবু লান্না শীজিন্নরি পোলিটিকেল লীদরস অমদি পার্টিশিংনা। ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিসিদি শেল-থুম চানবা, মশাগী অরানবা ঙাকথোকচনবা, লৈত-লায়র অমদি মীচম মীয়াম্বু নমথদুনা থন্বগী দেমোক্রেসি ওইরম্মে।

মপূ ওইরিবা লমদমসিনা অসুম্না তৌরবদি চহী ৩০০ হেন্না মনাই ওইনা লাকখিবা মণিপুরনদি করম্না মখোয়গী চৎনবীশিং অসি ইল্লোইদৌরিবনো। ইন্দিয়ানা তৌবা খুদিংমক ঐখোয়গী লীদরশিং অমদি ব্যুরোক্রেটশিংনসু অদুম ইনবা মশানা তাবনি মখোয়না ঐখোয়গী মথক্তা লৈপাক ঙাক্লিবনিনা অমদি মখোয়না হেল্লি হায়বা ঝাখল্লোন অসি চহী ৩০০ হেন্না ঐখোয়গী কোক্তা চুদুনা লৈরকপনা। মীচম মীয়ামদি মকোকশিং অসিনা খনবনিনা, তৌবনিনা মসিনা চুল্লমাল্লে হায়দুনা অদুম ইনবা তাবনি। করম্নসু ইল্লোই। মীচম মীয়ামদি মকোক ওইবশিংনা, লুচিংবশিংনা তৌবদো অদুম ইনবা হায়বসি মহৌশানি, ঝাখল য়াম্না খন্থবা ঙম্বা মীওই খজিক খরাক নত্তনা।

মতাংসিদা হায়জনীংলিবদি, ঙসি ইন্দিয়ানা অদুক্কী মতিক তপ্না মাঙদা চঙশিল্লিবসি মখোয়গী অশোনবা ময়াম অমা লৈবদুননি। ঐখোয়গী মকোক ওইরিবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা অসুক তপ্না চৎলবদি মখাদা মনাই ওইনা লৈবা ঐখোয়দি মখোয়দগী হেন্না তপ্না চৎপা তাবনি। ঐখোয়না মখোয়দা হেন্না হায়রগদি শেঙ্গা-থুমজাদা অদুগা অমনা শান্ন-খোৎনবদা। শান্ন-খোৎনবদা হেনবদি ঐখোয়গী মায়নি, ইন্দিয়াগীসু মায় ওইজরিবনি। অদুবু অতৈ হীরমদদি য়াদ্রে। মসিগী অচৌবা মরমদি ঐখোয়গী ঝাখল্লোনসে য়াম্না লান্না লাকখিবনি। চহী ৩০০ হেন্না হিন্দুইজম লাইনীংনা হেন্না ফৈ, ঝাংই, ইন্দিয়াগী চৎন-লোনচৎশিং অমদি মহৈ-মশীন্না হেন্না ফৈ, মখোয়না শিংবা হেল্লি, ফবা হেল্লি হায়বনচিংবা ঝাখল্লোন কয়া অসিগী মখাদা হিংলকপনা ঐখোয় খুদিংমক্কী কোক্তা চুখ্রবা লায়না অসিনা ঐখোয় হীরম অয়াম্বদা মায় পাকপা ঙমদবনি। ঝাখল্লোনসিনা অসুম লৈরিবমখৈ অসুম্না অসুম লৈখিগনি, মাঙদা চঙশিনবা ঙমখিরোই, চখৎপা ঙল্লোই। অদুবু শান্ন-খোৎনবগী লমদদি ঐখোয়না অদুম হেল্লি মখোয়দগী। মসিগী মরুওইবা মরমদি ঐখোয়গী মোঙ্গোলোইদ ওইবা শওং-শাদা, শবান, নেমতক তৌবা, লেংজুম পাকপা, খোঙ খূৎ কনবা, লীংবা অসিনচিংবা অসিননি। হকচাংগী ফীভমসি শান্ন-খোৎনবদা য়াম্না চান্নবা ফীভম ওইবননি। ঝাখল্লোন হোংলবসু হকচাংগী ফীভমদি হোংদনা অদুম লৈবনা ঐখোয়না মাঙজিল থানা চৎপা ঙল্লিবনি শান্ন-খোৎনবগী লমদদি। ঐখোয়গী ইপা ইপূশিংগী হৌখ্রবা পুন্সিদা য়েংলগা অদুম খঙবা ঙমগনি। মখোয়না মুক্নাদা, থাঙ-তা অমদি ফুন্দ-চৈনবদা অদুক্কী মতিক ফরকখিবা, মশা মউ ফনা, খিংনা লৈখিবা ঐখোয়না তারিবা খঙলিবা অদুনি। ঙসিসু ঐখোয়দা অদুম য়াওরি, হনদ্রি, চেল্লি মদুগী ঈ।

অদুবু ঙসিদি ঐখোয়না মতম কুইনদগী ওইবা য়ারোই, মখোয়না হেল্লি হায়বগী ঝাখল্লোনসি হোংলকপদি হৌরে, মরুওইনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা। অনৌ অনৌবা পুথোকশিংগী- ইন্টরনেট, সোসল মিদিয়া, রেদিও, টি ভি, মোবাইল ফোনগী মতেংনা মালেমগী ওইবা পাউশিং য়াম্না থুনা উবা, তাবা, খঙবা ঙম্বা অমদি ইন্দিয়াগী ঝাংমদা চৎতুনা মশা মশানা থেংনজরকপা এক্সপরিএন্স কয়ানা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী নহারোলশিংগী মমিৎ মমায় পাঙলে। খুদম ওইনা হায়রবদা, হৌজিক হৌজিক ইরমদমগী নহারোল কয়া অমা ইন্দিয়াগী চাউর-চাউরবা নেসনল থাক্তা পাঙথোকপা য়ু পি এস সীগুম্বা টেষ্টশিংদা মায় পাকপা ঙল্লিবা অসিনি। হান্নদি ঙল্লমদে। মসিনা তাকপদি, হান্নগী নহারোলশিংদা লৈরম্বা ঐহাক মণিপুরদগীনি, ঐহাক্তি মখোয়দৌনা লাইরিক লাইশু হৈতে, হা অদু ঝাৎলি, হা অদু লৈতে, অসিগুম্বা টেষ্ট অসি মায় পাকপা ঙল্লোই, হায়বনচিংবা ঙল্লোই হায়বগী ঝাখল্লোন অদু লৈরক্তবননি। ঙম্বা ঙমদবা হায়বসি ঐখোয় ঐখোয়গী ঝাখলদা য়াম্না মখা পোল্লি।

ঐহাক ইশামকসু অসুম্না ঙল্লোই, অদু ঝাৎলি, অদা ঝাৎলি, অদু লৈতে, মখোয়না হেল্লি হায়বনচিংবা, ঙল্লোই হায়বগী অরানবা ঝাখল্লোনসি লৈরম্মী হান্নদি। অদুবু ইন্দিয়াগী মপান্দা লৈরকান্দদি ঐহাক্না হান্না ইন্দিয়াগী মপান থোক্ত্রিঙৈদা লৈরম্বা ঝাখল্লোন্দু লোইনা লাল্লে হায়বসি খঙলকই তপ্না তপ্না ইতোমতা। ইন্দিয়া মচাশিংনা ঐখোয়বু কুইনা সুম নমথদুনা, উশিত্তনা থম্বীরকপগা ঐখোয়গী অরানবা মখোয়না হেল্লি হায়বগী অরানবা ঝাখল্লোনগা পূন্না লাকপনা মখোয়বু ঝাংনা খল্লুবনি, ঙসিসু ইরৈচা কয়া অমা লৈরি অসুম্না খঙজবা। অশেংবা হায়রবদি, ইন্দিয়াগী মেইনলেন্দশিংনা চাউজবসি বাংলাদেশ, নেপাল, ভুটান, পাকিস্থান অমদি অফঘানিষ্টান শ্বাইদা সুম চাউজবনি। লৈপাকশিং অসিগী ঝাংমদদি কনানসু উশিৎপিদে, মরু ওইনা মখোয়গী য়াম্না ওইজ-ওইথক, নিদুনা চাবগী ঝাখল্লোন চেনবা অমদি থম্মোয় শেংদবা মওং অসিনা। ঐখোয়না মপান্দা সুম চৎপদা থেংনরকপসি মখোয়বু উশিৎপীবসি অমত্তা হেক থেংনদ্রি। ইন্দিয়া মচানি হায়রদি চাইনিজ মানবা ঐখোয়গী মী ফাওবা উশিৎতনা উখিবগী ঝারীসু ময়াম্না তাবিরল্লনি। অদুবু ইন্দিয়াগী মনুংদা সুম লৈরদি খুদিংমক্তা মখোয়না অদুম হেল্লে ঐখোয়গী ঝাখলদা মখোয়না সুম তুহৎতুনা থম্বীরবনিনা, ঐখোয়গী অহল লমনশিংনসু অসুম্না সুম তম্বীরবনিনা। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদসু, মণিপুরদি অদু লৈতে, অদা লৈতে, মখোয়গী সিটিদি অদুমাইনা তৌই, চাউই, আ মখোয়দি য়াম্না হৈ, শিংই অসিনচিংবঙাক তম্বীরকই। ঐখোয়গী ফজবা, অফবা, ঐখোয়গী চাউথোকচনীংঙাই ওইরিবা ফজবা, মতিক-ময়াই, হৌন-লোনচৎ, ইয়েক, ইরোল, চৎন-পথাপ, মহৌশাগী ফজবা চীং-তম, পাৎ, তুরেল ময়াম অমা লৈরিবসিদি নোংমতবু তারক্তে হায়বিরকপা, তম্বীরকপা। শিদবিবা ঙাক্তনি, ঙসিসু অদু মঙাই। মসিনদি কদাইদগী ঐখোয় ইশানা ইশাবু থাজগদৌরিবা, ইকায় খুম্নগদৌরিবা, ইরমদম্বু নুংশিগদৌরিবা। ঝাখল্লোন হোংদোকপা মথৌ তারে, মরু ওইনা মেইনলেন্দ ইন্দিয়াশিংনা ঐখোয়দগী য়াম্না হেল্লি হায়বসি তোকপীরো। হীরম খরদা হেল্লম্বা য়াই, মদুদি মহৌশানি। ঐখোয়নসু মখোয়দগী হেনবা হীরম ময়াম অমা লৈরিনা। মখোয়না ঐখোয়দগী হেল্লি হায়বসি ঐহাক্কী ওইনদি শুকয়া হেক য়াজনীংদ্রে।

নোল্লুক্না চৎপা, নাপন কাদনা খনবা, থবক তৌবা হায়বদুদি য়াম্না ফৈ অদুবু মীনা হেল্লি, অতোপ্পনা ঐখোয়দগী য়াম্না হেল্লি কাইনা খন্দুনা, নোঞ্জদুনা, নী-নীদুনা হিংগনি হায়বগী ঝাখল্লোনদুদি য়াম্না লাল্লি। অসিগুম্বা ঝাখল্লোন্না ঐখোয়দা করিসু কান্নবা মহৈ পীরোই, মাঙদা পুশিনবা ঙল্লোই, হেন্নদুম চিংথনবগী মরম ওইগনি। চহী ৩০০ হেন্না অসুম্না লাক্তুনা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুর চাওখৎপা ঙমদ্রিবা অসিনা শাখিনি।

চাওখৎপগী হীরমদা মায় ওনশিল্লকপদা, য়েংবিয়ু হেক য়ূমথংননা লৈরিবা চাইনানা করিগীনো অসুক হেন্না চাওখৎপা হেল্লিবা অদুক্কী মতিক থুনা ইন্দিয়াদগী। মসি মখোয়গী ঝাখল্লোন অদুননি। মখোয়গী ঝাখল্লোন্দা হায়দোকখ্রবদি থবক ওইনা তৌগদবনি হায়বসি মখোয়না য়াম্না লুনা খল্লি। মদু ঙমদ্রবদি য়াম্না ইকায়নীংঙাই ওই অমদি পাংদবনি হায়না খন্নে। অদুবু ঐখোয় ইরমদম মণিপুর অমদি ইন্দিয়াদদি পোলিটিকেল লীদরশিং অসিনা ঝাহৈদা, পাউচেদা, সোসল মিদিয়াদা, রেদিও অমদি টি ভিনচিংবদসু হায়দোকখ্রদি তৌদ্রসু য়ারে, হেরো অদুম ওইরে হায়বগী ঝাখল্লোন লৈনৈ। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ইন্দিয়াদি য়াম্না চাওখৎফম থোকই, লোয়ননা মীয়ামসু নুংঙাইনা হিংফম থোকই। অদুবু অনীমকসি অমত্তা ওইদে। অদুগা কম্যুনিষ্ট চৎপা চাইনানা সুম সুম মাঙদা থুনা চঙশিনবা ঙল্লি লোয়ননা চহী মঙাগী মনুংদা শেল-থুম অমদি ললোন ইতিক তৌবদা মালেমগী মকোক ওইগদৌরি। অদুগা মখোয়গী মীওইশিংসু অদুক্কী মতিক চাওথোকচৈ মশাগী মশাগীদমক অমদি মরৈবাক্কী। হৌজিক্না অমুক হেল্লে অসুম্না খনবসি চাইনানা য়াম্না থুনা চাওখৎলকপসিদা। ইন্দিয়াদি হৌজিক্তা লাউবা হৌরক্লি, মদুসু পংঙাঙদা ঙাঙবা, পংশেমদা শেন্বা পাউচে, সোসল মিদিয়া, রেদিও, টি ভিনচিংবদা থবক্তি য়াওদবা।

লোইশিল্লকপদা হায়জনীংবদি - অরানবা, অতোপ্পনা হেল্লি হায়বা ঝাখল্লোন থাদোকপীরো, নীনীদুনা, মনাই অমা ওইবগী ঝাখল্লোন থাদোকপীরো, ঝাদং ঙাঙবা তোকপীরো, ঝাগা থবক্কা মান্নহল্লসি। ঐখোয়গী অঝাৎপা করিসু লৈতে, ঝাৎলিবদি ঐখোয়গী ঐখোয়গী অতোপ্পনা হেন্দে, ঐখোয় তৌবা ঙমগনি হায়বা, হোৎনবা কনবা, ইশানা ইশাবু ইকায়খুম্নজবা অমদি থাজজবা অদুনি। ইরমদম্বু হুনবসু তোকপীরো। মদুগী মহুত্তা ঐখোয়গী অফবা, ফজবা, মতিক ময়াই ময়ামদো ওইনা হায়বিয়ু, তম্বীয়ু হৌরক্লিবা অঙাংশিংদা, নহারোলশিংদা। মদু হায়বিনীংদ্রগনা, তৌবিনীংদ্রগনা তুমিন্না লৈবিয়ু, হুন্দুনা ঙাঙবদুমদি তোকপীরো। চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্লবা ঐখোয়গী অরানবা, অরিবা ঝাখল্লোনশিং থাদোক্লসি, অনৌবা অফবা, অচুম্বা ঝাখল্লোন্না মহুৎ শিল্লসি অফবা, চাওখৎপা অমদি নুংশি চান্নবা হিংবা য়াবা কংলৈপাক অমগীদমক। য়াইফমিন্নরসি!

